> “কাউখা কাউথুম ওইনা হৌগনি ঐনা ফাইরেন থাবু ওইরগা হৱাই থরাক মপাল ওই, তেকথগনি ঐনা থেক থেক।” - *শ্রীবীরেন (চৎলোইকো ঐ মফম কদায়দসু)*

শৈরেং

লুচিংবা

— অহোংশাংবম তানিয়া

থৱায়না মীপাইরা চীংখোঙদা
তাইবঙনা মীপাইরা মোংশোঙদা
ৱাকচীংগী তমথীরা উলেল্লক্তা
ইমাগীদমকনিকো হে অথৌবা!
হুমাং মরীক্তনা পাঙ্গল ওই
মীৎকী পিতনা থৌনা ওই
লমজিংবীবা অচৌবা কনা য়াওদা
নদোম লমজিংলি, নদোম চৎচরি,
নদোম থিজরি লানঙম ফিৱাল
ৱাশকচরি নদোম “ঈগী মমল ঈ”।
নহাক্লিনে অথৌবা
নহাক্লিনে লুচিংপুরেল।
সনাগী লুহুপ্না কোকথক্তা
লুপাগী তাঙবলদা ঙাম্থোইনা
মোমোন নোক্লা য়েংলি
থৱায়গী মমল খঙদনা, লিলাগুম য়েংলি
থৱায় নখোয়গী নতৌদো।
থৱায় লিশীংনা য়াখ্রবা
সনাগী তাঙবল ফমদেঙলবা
কালিদাশ, শরৎচন্দ্র, রবীন্দ্রনাথ
মখোয়দগীবু হেনখি,
চীনবালথোঙদগী তাহনখিবা
থৱায়বু নুংশিজবগী শৈরেংদুদি।
অদুগা ঙসিনা নোংজাবী উবদা
লাম্মৈনি খন্না নারক্তা লোৎলিবা
হায়গদ্রনে নহাকসিবু ঐখোয়গী ‘লুচিংবা’।
মোংফমগী নুঙপাকথক্তা
ঈতনা খোর্জে থাদুনা ইরিবা
থৱায় কয়াগী ৱারীসে,
নঙদি উরমাল্লে অনিত্যম ওইনা।

কুন্দো লৈরাং

— কাংজম হেমন্ত

হে! কুন্দো লৈরাং নীংথিবী
লৈরাং লক্তগী অথোইবী
য়েন্দাই থন্না হেল্লগা
ঙাইজরকপা নুমিৎ
পূন্সি লৈপূনগী অয়ূকসিদা
তৎফদ্রবা লংলাদা
লৈচল চানা লেংদুনা
ইখুৎসিনা, পাম্মু ঙকশমদা হুকচগে খন্না
লেংজরিবা কুন্দো লৈরাং,
অমকপা য়াওদ্রবা নহাক্তুম
থম্মোয় মশক খঙননা
অচেৎপা মরী থম্না
পূন্সি খোঙলোই ওইমিন্না
হিংমিন্নজগে অমকপা লৈনদনা
নুংশি মকাদা
ওইহনবীয়ু লাইবক ফবী।

ফাইরেল থাগী শৈরোল

— অঙোম ইবোমচা

ৱাকচীংগী উনলেনবু পিখাইননা
বসন্ত ঋতুগী মশাইগোন্দা
খোঙদোইরক্লে নৌহৌননা ফাইরেল-থা
নোকমি নোকমিবা মশক্তম।
শংবান্নরবা নোংদোন অতিয়াদা
পূক্লিং হুনা শুক্মাৎল মালংদা
পাইররে কোইপাই কোইপাই মনীংতম
অঙৌবা ফিজংনা তাংজবা
লৈচিলিগী পরেং পরেং নিংথিজবা।
মীৎকুপ খুদিং শকলোন-হোং
পূকচেল লেপ্তে মশক্তাক
ঋতু নিংথৌ বসন্তগী মমোম্নি ৱাখলনা
কেনা নৌনা মালংদা জগোয়বু শারিবা।
খ্বাংজেংলবা খোইমুশিং
ঙংন-ঙংনা পাইররে
লৈকা খুদিং লৈহি-থি
হরাও মথুম হৌনরে
হঙ্গাম মপাল মরক্তা।
তুফক-তুফাই চল্লন্বা
ৱাকচীংগী উনলেনগী চৈনাবু খাঙবদা
তাইবঙ মীপূম খুদিংসু
মতু-মমান খিংনরে
থম্মোয়দা য়েন্নিং হুন্নরে।
ঙাইজরি ঈখৌলাংনা খৌরাংনা
তাইবঙ মীপূম খুদিংনা
লাক্লগনি মখঞ্জ
লমতা থাগী মপূংয়াই
হরাও মোমোন মীনোক্লা।

ঐগী ৱারেপ ওইগদবনি

— নোমিতা খোংবান্তাবম

পুল্লি খন্নে ৱারেপকী
থৌশিল হৈবা শারকই
অঙন্বনি লুচিংবনি উৎনীংই
মীয়ামগী ৱারেপ অপূনবা
অপূনবগী পাঙ্গল পাল্লক্তে
অপূনবগী নত্তে ঐগীদুনি
ঐগী ৱারেপ ওইগদবনি।
ফৈ ফত্তে খন্নে
ফৎত্রবদি লৌথোকসি থল্লোইসি
ময়াম ৱারেপ তান্নে
ৱারেপ্তু মীয়ামগীদি ওইরোইদবনি
খৎনৈ লাউনৈ য়েৎনৈ
মশক থোকই মতোমতা
কনানো তাকই হায়জৈ
ঐগী ৱারেপ ওইগদবনি।

করম্বা শান্তিগী ৱারীনো

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

তেংথারক্লি মপারি কয়া
ফাথবা ঙমদ্রবা মৈচাক্ল
মৈৱাইরদুনা লাম্ছেংনগনি
হায়না হৌনরুবা তৌদনা,
মীতৈ লৈমগী মপারি
লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইরদুনা।
নীংবা কায়না লেলহৌরিবা
মীৎলু পিরাংগা লোয়নরদুনা
হন্না য়েংবদা করিসু উরক্রবদা
লমদম অসিগী নিঙোল
কয়াগী থম্মোয় মৈচাক
মীরাওখোলতনা নিল্লি ঙসিসু।
লেপ্তুবা ইফুৎকুম চেন্থরখিনি
ঈপাল থাগী তুরেলগী ঈমাইনা
চোন্না চেনবগুম নীংঙমদা মৈচাক্ল,
ঙসিদি নীংঙমদা মৈরিনা
মৈৱাইরদুনা মপারি কয়া
কয়ানা লাম্ছেংনরগে থোরক্লে,
মৈচাক অসিনা মৈরিনা
ফংনা চাক্লিঙৈ, করম্বা
শান্তিগী লম্বীনো ঐখোয়না ঙাইখিগদবা।

কোমজাউ তৌদুনা থিগদ্রা?

— এম নিলকুমারি

ইচা-মীচা হল্লক্রবদি,
কোমজাউ তৌদুনা শৰু পোলাং হান্না থিরগদ্রা?
শৰু পোলাংনি শৰু পোলাং - মখোয় মশেল খৎনরি।
ইমা মালেম পৃথিগী লৈহাওগী পোখোক
চাজদুনা চাউরকখিবা। লৈশাদা অমুক তিনবনি
ইমাগী মশাইগোন্দা অমুক লৈবাক লৈহাও ওইনা তিন্নবগীরা?
পাউখুমসু ৱাহংসু চপ মান্নখ্রে
লম খুদিংগী চিথি নাম্বদা
মথং মথং লেংথরক্লি - শৰু পোলাংগী ৱারীনা :
মমিং মশীং কয়া ৱাৎলিগবা
জঙ্গলগী নিংথৌ নোংশানা পালি ঙাইনা ঙাইনা
চীঞাক ঙাইবগুম্বরা?
মীকপ মীরাওখোলনা পূমনিল নিল্লবসিদা
করম্বা করম্বগী করম্বা নুমিৎ থাদা
ঈংনা চিক্লা মীকপ মীরাওখোল লেপখিগদবা
মীওইবা ফূরুপ ফাওবা নুংঙাইবা অমেংবা অথোইবা পামজবা
হৌজিক্লা করি ইচা শুমগে নচা লৌথোকউ
হায়ফম খঙদ্রবা মীরোল কয়াগী
লানবুং শেমগৎলক্কদৌরিবরা?
অশিবসু মরন্নাই - সাসনকারিগী ৱাংমনি
অপোকপসু মরন্নাই।

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’
(নিংথৌরোল লম্বুবা) -(১১৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মৈদিংঙু লাইরেল লোইয়মপা

নবুথৌ মৈদিংঙু। লাইরেল হেমদৌ লোইয়মপা ও। হায়না মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু লাইরেল লোইয়ামবনা। মদাইরেম লৈহৌতানা খুলদাবা। মরোই মনিল নাইবা খুৎকলবা। ফীবোঙ চামি লোই। ফীরাক তোমশা লোই। ফীতং থৌরী কাচল লোইবু। চহী লোইহাদবা। য়ামনা কুইরবগীদমক। হুয়েল লাল লালশিংনখিয়ে। ইবাই ইবুংঙো অঙৌবা। হাওখৈ লালথা লালঙমবা নঙসুঙ। নরোই লালদা লালথেংঙো। শেকতা লালদা লালথেং ও। নানতা খুল খুঙগং তরুকমকপু। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯱꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ꯫)

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯂꯣꯏꯌꯝꯄꯥ

ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯍꯦꯝꯗꯧ ꯂꯣꯏꯌꯝꯄꯥ ꯑꯣ꯫ ꯍꯥꯌꯅ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯂꯣꯏꯌꯥꯝꯕꯅ꯫ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯂꯩꯍꯧꯇꯥꯅ ꯈꯨꯜꯗꯥꯕꯥ꯫ ꯃꯔꯣꯏ ꯃꯅꯤꯜ ꯅꯥꯏꯕꯥ ꯈꯨꯠꯀꯂꯕꯥ꯫ ꯐꯤꯕꯣꯡ ꯆꯥꯃꯤ ꯂꯣꯏ꯫ ꯐꯤꯔꯥꯛ ꯇꯣꯝꯁꯥ ꯂꯣꯏ꯫ ꯐꯤꯇꯪ ꯊꯧꯔꯤ ꯀꯥꯆꯜ ꯂꯣꯏꯕꯨ꯫ ꯆꯍꯤ ꯂꯣꯏꯍꯥꯗꯕꯥ꯫ ꯌꯥꯝꯅ ꯀꯨꯏꯔꯕꯒꯤꯗꯃꯛ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜ ꯂꯥꯜꯁꯤꯡꯅꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯏꯕꯥꯏ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯑꯉꯧꯕꯥ꯫ ꯍꯥꯎꯈꯩ ꯂꯥꯜꯊꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕꯥ ꯅꯡꯁꯨꯡ꯫ ꯅꯔꯣꯏ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯉꯣ꯫ ꯁꯦꯛꯇꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡ ꯑꯣ꯫ ꯅꯥꯟꯇꯥ ꯈꯨꯜ ꯈꯨꯡꯒꯪ ꯇꯔꯨꯛꯃꯀꯄꯨ꯫ ●

মতম মতমগী ৱাখল

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৪



মণিপুরদা কুকি মিলিটান্টশিংনা লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিংগী মথক্তা চৎথরকপা লান লোইদ্রি। নোংমা নিনি অসি খর তুমিন লৈবগুম তৌই । মসিদা লান লোইরে হায়না লৌবা চুমদে। কুকিশিংদি লান শুংলন্বসু য়াই। তুমিন্না অমুক অমুক লৈরুরগা খঙহৌদনা লান হেক্তা হৌরি। তুমিন্না লৈরিবসি বোম শারন্বা য়াই,মরম অমা লৈরমগনি। মণিপুর বিধান সভাগী চথরকপা মীফমসু উচিন-নাচিন্না লোইখ্রে। মরুওইবা মীয়াম্না পাম্নবা ৱারেপ খর- সু লৌথোকপা, এন আর সি চৎনবা অসিনচিংবা খরদি মীফমদা অমত্তা ওইনা য়ানখিবগী পাউ ফংঙি। ময়াই কৌইরেলনা করি হায়রক্কদবনো অদুদি খঙদ্রি। ময়াই কৌইরেলনা য়াদ্রগদি হান্নগীদা পোপ তাগনি। কুকিশিং তুমিন্না লৈরমলোই সঙ্গ চাউই। কুকিগী মখৌ পোংলিবা এম এল এ অমদি মন্ত্রি তরাগী মথক্তা চৈরাক পীহন্নীংবা অদুমদি এসেমব্লিগী লাইফাওদা য়াওরকখিদে । মসিনা তাকপদি কৈনোমা লৈরি। কুকি এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী মথক্তা করিমত্তা তৌবা ঙমদে হায়বনি। কুকি এম এল এ, মন্ত্রি মখোয়না মখৌ পোংলিবা অসিসু,মখোয়গী মীচংদা,ময়াই কৌইরেলদা শৌগৎপীনবা ৱাৎতনা লৈ হায়বসি তাকপনি। মরক অসিদা,এম পি ইলেক্সনগী মথি ফোংনবা হৌরক্লি। ভোটনা ভোটকী থোকপা, সবিরাইনা সবিরাই, য়াইরোংনা য়াইরোং, লান্না লানদা তারে হায়নবদুনি।

ইম্ফালগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী পাক চাউরবা ফিল্মগী স্কৃন্দা, নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৪, ‘থৌনা মণিপুর’ কৌবা কাঙলুপ অমনা শিল-লাংদুনা ডি আই পি আর, ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমদি আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্ট, মণিপুরগা পূন্না খুৎপু অমা শেল্লগা মার্চ তাং ৩দগী পাংথোকপা হৌখি । নুমিৎ ৫নি চৎথখিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা অৱাং নোংপোক্কী ফিল্ম তরা হুমদোইনা ফেষ্টিভেলগীদমক থাগৎলকখিবগী পাউ ফংঙি । অৱাং-নোংপোক্কী ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিবু পাংথোক্লবা অরাংফমগী থৌদাং লৌরিবসি ‘থৌনা’ হায়না মিংথোনবা কাঙলুপ অমননি। তশেংনমক থৌনা লৈ, মরিল ফৈ । মিংথোনগা চানৈ। অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমা পাংথোক্লিবসি থৌনা য়াওদনা, লিংজেল য়াওদনা পাংথোকপা ঙম্বা ওইথোক্লোই।

লাইবকসু য়াম্না ফখি। ফেষ্টিভেল মনুংদা কুকিগী লান নংখিদে,লম্বী থিংখিদে, কার্ফিয়ু লৈখিদে । কনাগুম্বনা হায়নখিবা য়াওই, অসুক ৱানরিঙৈ, হরাউ-কুম্মৈ ফাওবা লেপ্পিরিঙৈদা করিগী ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাংথোকপনো ? মথক্ত পঞ্জখ্রে-ভোটনা ভোটকী থোকপা, সবিরাইনা সবিরাই, য়াইরোংনা য়াইরোং হায়বদুনি। লান্না লান্নি, ফিলম ফেষ্টিভেলদি পাংথোক্তবা য়াদে। কুইরবগী মমাংদগী ‘থৌনা’ হায়রিবা কাঙলুপ অসিনা, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গর্ভনমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদ পাংথোক্লবা পীরকপা ফেষ্টিভেলগী থৌরম্নি। মার্চ থাগী মনুংদা পাংথোকহৌদবদা মণিপুরদা অসিগুম্বা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমা অমুক পাংথোক্লবগী অয়াবা ফংগনি হায়বা মমি শাল্লি। য়াম্না ৱানা কোয়চেন চেনদুনা হায়জবদগী য়াবীরকখিবনি। কুইরবা থৌরাংনি। লমদমসিগী মীয়াম্না খঙনরে মদুদি ঐখোয় ইন্দিয়াদা তাংলগা হিংলি। নিরুদ্রগদি করিগুম্বা চাকথুং অমত্তা ফংবা লৈত্রি।

মণিপুরদা থম্বা য়ারম্বা ফিল্মগী ইন্সটিট্যুট অরুনাচল প্রদেশতা রিজুজিনা মমাংগী চহী খরদা পুবীখিবনি। মণিপুরদা ষ্টেট সরকারনা কোর্পস ফন্দগী মতেংনা নোংমতদা মণিপুর ফিল্ম এন্দ টিভি ইন্সটিট্যুট অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লীংখৎচখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদি মপুং মরৈ ফানা হিংবা ঙমখ্রে। মণিপুর ফিল্ম এন্দ টিভি ইন্সটিট্যুটতি হাংদোকখিবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা হৌবা ঙমদনা লৈরি। মণিপুরী সিনেমাগী ফিভমসু লুশিল্লক্লি। মণিপুরদা সিনেমাগীদমক লৈজরম্বা হোলশিং কন্দায়দা,কনা কনাগী সিনেমা হোল লৈরম্মী হায়বা কাওনখ্রে। অসুক চাউখৎলক্লবা মতম অসিদা মেদিয়াগী অচৌবা য়ুম্বী অমা ওইরিবা ফিল্ম নৎত্রগা সিনেমা হায়বসি ঐখোয়গী লমদম অসিদদি মৰু ফংনা মুৎথরক্লি। মতম অমগী শাফু কন্না চেল্লম্বা সিনেমাগী খোঙচৎ অদুদা অমুক পুখৎলকপা ৱানা থোকখিগনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ‘থৌনা’ হায়বা কাঙলুপ অসিনা ভারতকী অৱাং-নোংপোক্তা লৈজরিবা য়েলহৌমীশিংতনা পুথোকচবা ফিল্মশিংগী ফেষ্টিভেল অমা শিনবীরিবসি য়াম্না পূক্নিং নুংশিবা পোকই। মণিপুরদা থম্বীরম্বা য়াবা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট অরুনাচলদা পুবীখ্রবসু ঐখোয় পূক্নিং শোন্থদে। অদুবু অরুনাচল লৈঙাক্লা মখোয়গী ফিল্ম চাউখৎনবা হোৎনজবগী ৱাতনি, মখোয়গী মীওইশিংনা হন্দক পাংথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিদা অরুনাচলগী ফিল্ম থাগৎলক্তে,শরুক য়াখিদে । অরুনাচলগীদমক্তা, রিজুজিগীদমক্তা ইকায়বা পোকই। মখোয়না ঐখোয়দগী হেনবদি করিসু লৈতে।

থা তারা শুরক্লবা কুকি মিলিটান্টশিংনা চৎথরকখিবা লমদমসিগী লান্নি। চহী অমা ফারক্কদবা থা অনীতা ঙাইরে। লান অসিনা চহী অমা ফারকপদদি চৈথারোল কুম্বাবদা মিং হাপচনবা য়াগদৌরি। চহী অনী হেন্না কোভিদকী লান য়াওরুরবা লমদম অসিগী মী ঙাক্তনি। কুকীগী লান্দা লৈখিদবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি লমদম অসিগী মীয়াম হৌজিকসু নোকপা চংদ্রি, মিৎলু পিরাং কংনদ্রি। করিদি তৌগনি, ইনবা চৎতবা গাড়ীদা তোংলুরবনিনা ষ্টার্ট হৌবা ঙাইমিন্নবা তাবনি। য়ূম-কৈ লৈত্রবা, অশোক-অপন নংলিবা মীওইশিং, রেলিফ কেম্পতা পূক্নিং ৱাখল লৈতাদনা লৈরিবশিংগী অৱাবদা শরুক্তি লোইনমক্লা য়ামিন্নরি। লানসি কুইশিল্লক্লবনিনা মীয়ামদা থৌশারক্তবগী ৱানি। খরগা কুইরবদি নোংমৈ কাপ্পবা, বোম পোকখাইবগী মখোন তাদ্রগদি তুম্বা য়াদবা, য়েন্সাং মহাউখঙদবা,হৈনদবা মীসু য়াওরকপা ফাওবা য়ারি।

নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৪ অসি পাংথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গেনাইজিং কমিটি,ৱার্কিং কমিটি শেম্মী। থাগৎলকখিবা ফিল্মশিং, প্রি স্ক্রিনিং কমিটিগী মীওইশিংনা য়েংলগা ফিল্ম নিপান খনগৎলগা, জুরি অহুম্না অমুক অরোয়বা ওইনা য়েংবনি। ফিল্ম নিপান অসিগী মনুংদগী-বেষ্ট ফিল্ম,বেষ্ট ডাইরেক্টর,বেষ্ট স্কৃন রাইটর,বেষ্ট সিনেমাটোগ্রফি,বেষ্ট ইডিটিং, বেষ্ট সাউন্দ, স্পিসিয়েল জুরি এৱার্দ, স্পিসিয়েল মেনসন অমদি স্পিসিয়েল আউট ষ্টেন্দিং এৱার্দ হায়রিবশিং অসি পৈশা য়াওনা পীগদবনি।

মণিপুরগী ওইনসু থাগৎলকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্ম ‘জোসেফকী মচা’ নত্তনা অতৈ লাকখিদে। য়াওরিবা অতৈ ফিল্মশিংদি অয়াম্বনা অসামিজ ফিল্মশিংনি। অসামজি ফিলমশিংগী মনুংদা,গারো ফিল্ম অমা বোরো ফিল্ম অমা য়াওখি। মেঘালয়গী গারো ফিল্ম “ রিমদো গিত্তঙ্গা” ইংরাজিদা ‘রপচর’ হায়রিবা অসিনা বেষ্ট ফিল্ম ওইখি। বেষ্ট ডাইরেক্তরনা মণিপুরী ফিল্ম ‘জোসেফকী মচা’ গী ডাইরেক্টর, হাওবম পাবনকুমারনা ফংখি। ফেষ্টিভেল অসি ‘থৌনা’ হায়না মিংথোনবা কাঙলুপ অমনা পাংথোক্লিবসিগী পান্দম অমা লৌখি। অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা, মীওইশিং খক্তনা পুথোকচবা ফিল্মগী থাক খঙমিন্নবা অমদি ইন্দিয়ান সিনেমাগী পুথোক্লরিবা ফিল্মশিংদা,অৱাং-নোংপোক্কী ফিল্মশিংগী মফমগী মতাংদসু খন্ন-নৈনবগী তানজা অমা লৌমিন্নবনি। নুমিৎ খুদিংগী ফিল্ম অহুম কাপ্তুনা, ওপন ফোরম য়াওনা খন্ন-নৈনখিবনা, ফেষ্টিভেল অসিগী মশক ওইখি। ফিল্ম অসি শরুক অনী থোক্লা চাংদম্না য়াওবা অমদি য়াওদবা হায়না খায়দোক্লি। থোইদোকপা মশক অমনা লমদম অসিগী তাঙ্খুল ফিল্ম অনী ‘সামখোক’ অমদি ‘জিংথানও’ অদুগা রোংমৈ ফিল্ম ‘সিয়াং’ হায়রিবা ফিল্ম অহুম অসি অখন্নবা ওইনা উৎখি। মণিপুরী সিনেমাগী খোঙচৎতা লমদমসিগী য়েলহৌ চীংমীগী ফিল্ম অহুম অসি উবদা তম্পাক্লা পুথোক্লরিবা ফিল্মগী মহাউদ্দগী তোঙানবা মশক অমা উবা ফংবসি পাংথোক্লিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিগী তোপ তোপ্পা মশকনি । সিনেমা য়েংবগী ফি লৈখিদে । য়েংবা লাকপীখিবশিং তরাম্না ওকচখি। থমজরিবা ৱাফমসি ফেষ্টিভেল অদুগী চাউরাকপা মশক্লি।

ৱাহং খরদি ফেষ্টিভেল অসি শরুক য়ারুবদগী লন্নাই ওইনা থোকলকখি। হরাউ-কুম্মৈ, সিনেমা লীলাদা থৱায় য়াওজবা লমদম অসিগী মীয়াম্না করিগী ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা য়েংবা মীশিং লিকখিবনো হায়বসিনি। মণিপুর অসি অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী ফিল্ম পুথোকপা, এক্টর এক্ট্রেস মশীং য়াম্না লৈ হায়বগী রেকোর্দ ফংঙি । ফেষ্টিভেল অসি লমদম অসিগী ফিল্ম আর্টিষ্টশিং, ফিল্ম মেকরশিংগী ওইনদি য়াম্না মরুওই অদুবু অয়াম্বা মতমদা লমদমসিদা পাংথোকখিবা ফিল্মশিংদা য়েংবা লাকখিদবসি তোয়না উখি। অফবা ফিল্মশিং য়েংবগী হৈনবী ঐখোয়দা ৱাৎলি। অফবা ফিল্মশিং য়েংদনা ঐখোয়না ফিল্ম পুথোকপা, ফিল্মগী আর্টিষ্ট ওইনা য়াওরুবদা মায় পাকপা ৱাৎকনি। মণিপুরনা ফিল্ম য়াম্না পুথোকচরগসু ফেষ্টিভেল য়াওবা য়াবা অফবা ফিল্ম পুথোক্তবসিনা মণিপুরী ফিল্মগী থাকসু খঙবা ঙম্মী ।

হন্দক্কী অৱাং-নোংপোক্কী ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা গারো, বোরো অমদি অসামিজ ফিল্মশিংগী খুপুথোক, কুল্লিবা আর্টিষ্টশিংগী আর্ট এক্তিংগী মতাংদা হান্নদগী অহেনবা কয়া উবা ফংলি। টেক্লিকেলগী লমদসু লমজেল য়াঙনা চেনখৎলক্লি। কন্সেপ্ট, দিজাইন্নিং অমদি ট্রিটমেন্ট, টেক্লিকেল ৱার্কশিং য়াম্না কুপ্নখি,শাফু কল্লি। অসিগুম্বা তাঙনা ফংলিবা ফিল্মশিং অসি লমদমসিগী ফিল্ম মেকরস, আর্টিষ্টশিং, টেক্লিসিয়ানশিংনা য়েংহৌদবা হায়বসি অচৌবা মাঙজবা অমনি। ফিল্মশিং লোইনমক নৈনবগী খুদোং চাবা লৈত্রগসু ফিল্ম খরদি পন্দবা ঙমলোইদৌরি। ‘গোরাই ফাখ্রি’ (ৱাইল্দ স্বান) হায়বা বোরো ফিল্ম অসিগা ‘সমারপান’ (সরেন্দর)অসামিজ ফিল্ম অনী অসিমদি নৈনবদা য়াম্না কান্নগদবা ফিল্মশিং ওইখি।

অতোপ্পা হায়জনিংবা অমনা, ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মেদিয়াগী থৌদাং অসি য়াম্না মরুওই । ইন্দিয়াদা ফিল্ম ফেষ্টিভেল মখল কয়া পাংথোক্লি । ফেষ্টিভেলশিং অসিদা মেদিয়াশিংনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌই। ফিল্ম রিপোর্টিং, ফিল্ম রিভিয়ু, ফিল্ম কৃটিসিজম খুদিংমক্কী তম্ফম অসিগুম্বা ফেষ্টিভেলশিংদগী হৌই। জর্নেলিজমগী ওইনসু ফিল্ম ফেষ্টিভেলশিংদা অচৌবা মফম অমা য়াওরি। ফিল্ম ফেষ্টিভেলদগী তম্লিংঙাই য়াম্না লৈরি। মরম অদুনা মেডিয়াদা লৈরিবশিংনা ফেষ্টিভেলগী ফিল্মশিং য়েংহৌনবা মাংজেননা হোৎনহৌই। ফিল্ম ফেষ্টিভেলগুম্বা পাংথোকপদা মেডিয়াগী মীওইশিংবুসু ইকায় খুম্নবা য়াম্না উৎলি। খুদোং চাবা খুদিংমক মেডিয়াগী মীওইশিংদা হান্না ফংহল্লি । ফিল্মগী সোভিনির, ব্রোচর, সিনোপসিস, কাষ্ট-ক্রেডিৎ অমদি ফিল্মগী ওইবা মেটরিয়েল, ষ্টিল ফিল্মশিং ফাওবা মেডিয়াদা হান্না লোইনমক ফংহনবসি ফিল্ম ফেষ্টিভেল খুদিংমক্তা তৌনবা ঙাক্তনি। ওপন ফোরমশিং অসি মেডিয়াগী মীওইশিংগী য়াম্না কান্নবা ইনফোরমেসন সেন্টর অমনি। ফিল্ম পুথোক্লিবা, য়াওরিবা খুদিংমক মেডিয়াগা অফবা মরি লৈনদবা য়াদে । ফিল্মগী মরাইবক অসি মেডিয়াদগীসু শরুক য়াওই। অফবা ক্রিটিক, অফবা জর্নেলিষ্ট অমনা ফিল্ম অমবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্মী। মালেম শীনবা থুংনা ফেষ্টিভেলগী কৈথেলশিংদা য়ৌরুবদসু মতেং ওই।

মণিপুরগী ওইনদি, অসিগুম্বা তাঙনা ফংবা ফেষ্টিভেলগী মরুওইবা কয়া অসি মেদিয়াগী মীওইশিংনা নাথৈরগা থম্মী। মরুওইনা লৌনবা ৱাৎলি । মেদিয়া খক্ত নত্তনা,লমদমসিগী অইবা-অইবীশিং, খোরিরোলগা শম্নরিবা মীওইশিংসু ফিল্ম ফেষ্টিভেল য়াম্না য়েংগন্দে । তৌববুদি লমদমসিদা চৎথরিবা লান অসিনা থম্মোয়দা সিনেমা য়েংদুনা লৈনীংবা পোক্তবনা ওইরম্বসু য়াই অদুবু তঙাই ফন্দনা মেদিয়াদা লৈবীরিবশিংদি শরুক য়াহননীংখি। হৌজিক ফেষ্টিভেল লোইখ্রে, মায়পাক্লা পাংথোকখি। মখাদি করি অমুক লাক্কদগে খঙনদ্রি। য়াওশং কুইরকত্রে। য়াওশংগী থাবল চোংনদবা কুইরে । হন্দকসু থাজদে । লুহোংফমদা থাবল চোংবগী পাউ ওইনা তাখি । মসিমদি অঙকপনি, তৌহৈদবা ঙাক্তনি,য়াম্না তৌহৈদে। মসিবু অমুক হায়নখিগদ্রা ?

– ***মাখোনমনি মোংসাবা***

ৱারী ককনাউ

শিমিন্নরুরসিরা ?

তোমচৌ খ্বাইদগী চম্না লৈজবা, মী অমগী মফমদা অকনবা ৱা অমুক্তা হায়জদবা, মাগী শূগ-নোমগদবা খরা শূজ-নোমজরগা লৈজবা মীশক অমনি। হৌখিবা চহীগী মে ৩গী নুংথিলদগী হৌনা কাঙলূপ নাইবা মীৎয়েং অমদা লাঞ্জদবা মীতৈশিংগী মফমদা লান হৌরকখিবদুদগী য়াগদ্রা-য়াগদ্রা হায়না খাঙলম্বদগী য়ূম মৈ থারকপা, নোংমৈনা কাপ্পা হৌরকপদগী পাম্বৈ লৈরক্তদুনা য়ূমদা লৈহৌবা মরুপকী অফংবা শেল, চহী অমগী চাজনবা লোকচবা ফৌ, ফিরোল, নুংশিরবা য়ূম খুদিং মাগী মমিৎ মমাঙদা মৈনা চাকপদু য়েংনা য়েংনা থৱায়তংদি হিংলগা লোইরে হায়দুনা মাগী নুপী, মচাশিংগা লোয়ননা চেল্লকখিবনি। অদুগুম্বা ফীভম অদু লাক্কনি হায়বদি থাজরুদে।

তোমচৌ মাগী ইমুং মনুংগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অমদা লৈররে। রিলিফ কেম্পতা লৈরবা হায়বসি ময়াম্নদি ফজবা অতেনবা ৱাহৈ অনিনা শাবদুদা নুংঙাইবোই নীংবনি। য়াম্না ফীভম তাদবা মওংদা লৈরিবনি। মীনা পীরগা চারিবনি। মীনা পীরগা শেৎলিবনি। শেল থোক্লবা লম্বী কৈসু লৈতে। খরা মখূৎ মশা হৈ-শিংবা, শূ নোম্বা হান্নদগী কল্লকপা কাঙবু খরনা কদাই কদাইদনো চৎ চৎতুনা থিরগা শূফম নোম্ফম লৈবগী ৱানি। রিলিফ কেম্পতা লৈরগা লেঙদনা লৈবা অদুম য়াদবনিনা, কনা কনাগীদনো লেক্তুনা লৈরগা থবক থিবা কোকথোং অমা লৈরি।

তোমচৌদি মদুগী মরক্তুদা য়াওবসু ঙমদে। মাগী হায়ববু লৈরিবা লৈকায় অদুগী মীশিংগা তোরো খোদাননা লোয়নবা, লৈকায়দা চঙদুনা থবক মচা মচা খরা শূজ-নোমজবা। ময়ামদুনা নুংশিবীরগা শেলদৈ করিদৈ খরা অদুক পীবিরকপা অদুনা মাগী থবক ওইরিবনি। হৌজিক্তি তোমচৌ লৈকায়দুগী মী অমগা চপ মান্ননা লৈরে। লৈকায়দুদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক খুদিংগী চেবাউ ফংলে। উসব-ৱাশোব, লুহোং-খোংদোংবা, নাহুৎ-নারেং, খোগোপ্পা লোইনা চেবাউ ফংই, অমগীসু অমগীসু। অহানবদদি হরাওবোই নুংঙাইবোই অদুম চৎলি। হৌজিক্তি থা ১১ চঙশিল্লক্লে, তোয়শিল্লক্লবনিনা চঙবা ইকায়রে। মরমদি ঐখোয়গী থৌদোক ৱাথোকশিংসি য়াওবদা পোৎয়েং পীবা নৎত্রগা থৌরম অদুদা শেল থাবা, কৎপা হায়বনচিংবা অমা লৈবনিনা। অদুবু চেবাউদি কুংশিল্লক্লি।

রিলিফ কেম্প অদুগী নাকন্দা লৈরিবা পূখ্রি মচাদুগী মপান্দা মকোক্তা ফি অমা কুপশিন্দুনা তোমচৌ ৱাখল নুংঙাইতনা ফল্লি। মাগী নুপীদু কনাগী ইঙ্খোলদনো অমদা নাপী ফোইরুবনি। মাগী নুপানা ফম্লম্বদু উবদা ইঙক ঙক্লা চঙশিল্লক্লগা হংলৈ,

“কৈদৌরে নশা অমুক ঙমদ্রবরা? না খোৎতনগা তৌরক্কনুকো, ফীভমসে খঙনা নাগদৌবনি। হৌজিকপু নারে য়েক্লে গাইনা কোইচেন চেন্নবা ঐ ঙম্মোইকো” মাগী নুপীগী ৱাদু তোমচৌ তাই, মবুক ঈংবা মীনিনা কৈসু খুমদে। তূমিন লৈ। মাই নুপীনা অমুক মনাক্তা ফমথরক্লগা মখা চথ্থরকই।

“নারিরো?”

“নাদে”

“কৈদৌরিবা?”

“খল্লিনি”

“করি খল্লিবা?”

“হংখ্রেদা”

“হংদা য়ারিবো সিবো, অদু খুম্বদা করি কায়গে?”

“য়ারে তূমিন লৈরো”

“লৈবা য়াদেনে, রিলিফ কেম্প অমা সিদগী মখা খরা কুমথরগা লৈবদুদা সুমাইনা তূমিন-তূমিন ফম্লম্বদগী মকোক্তু চাক্লক্তুনা মাগী নুপীগী মখৌরি পায়রগা মেৎকে তৌই হায়রিসি তাদ্রা?

“তাদে, তানীংদে”

“তানীংদবা য়ারোইয়ে। ৱাসি অরুবনি, হায়য়ু কৈদৌরগেবা?”

“কৈসু তৌদেমী”

“কৈসু তৌদ্রগা করিগী উংঙিনো সিনি। লাউ হৌগৎলো লৈকায়সিগী কনাগীনো অমা লুহোংবা লৈ হায়দাই চৎলো লাউ”

“কৈগীনো ঐবু য়াম চৎহন্নীংঙিসে?”

“হায়মা সুমাইনা উংদুনা ৱাখল ফুম্বংনদুনা লৈদৌ শরুক চৎপনা ফৎত্রো?”

“লুহোংবা চৎপা হায়বসে পোৎয়েংনে, পোৎয়েং কাইদৈ পীদুইনো?”

“পোৎয়েং লৈরোই খঙবা ঐখোয়দা কৈদৌবৈ মোইনা চেবাউ পীরক্লিনিগে, লৈতে খঙনা খঙনা তৌরক্লিনি, পীরুনু, চৎতা চৎলো লাউ, নঙনা সুমাইনা উংবসে ঐ য়াম পাখৎলি”

“ঐ চৎলরোইমী”

“অদুনা হেন্না পাখৎলে। অৱাবসে অমগী মথংদা অমা, সুম সুম ঐখোয়গী ইথক্তা ননশিল্লক্লিসিবু করিগীনো? হৌজিক ফাওবা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা চঙবা য়ানবা শিনবা ঙমদ্রিবা, ৱা অমত্তসু হায়দ্রিবা লৈঙাকসিবু করি লৈঙাক্লো? মোইবু কদাই কদাই চৎখ্রগে? খোঙ-খূৎ শৎ লাউনা তিংথোক্লগা ও-খোংখৈ কপনীংঙেদা তৌরিসে। ইয়ূমসু মৈ থাবীখিবা, ইরলসু লোইনা মাঙখি, ইয়ূম য়ূমফাও তেমথোক্তুনা মাঙ তাকহনবীখিবা, অদুগা হৌজিক্লা চঙবা য়ারোই হায়না থিংলিবা, চঙনবসু থৱায় য়াওনা হোৎনবীদবা, হোৎনরি হোৎনরি হায়রিসিবু কদাইনো? ইচাখৈসিনা কমাইনা তুংদা লৈহৌগদবা সিগী খল্লুবদা থৱায়সে পুবা ঙমদ্রে।” ৱা ঙাঙনা ঙাঙনা তোমচৌগী নুপীদু শুৎ শুৎ কপথোরকই। তোমচৌ হন্না মাগী নুপীদা য়েংলুদে, মাসু লুকথদুনা মমিৎতা মপি চদুম চদুম তারি।

“ঐখোয় ইচাশিং অসিগা পূন্না হূ অকনবা অমা থল্লগা শিমিন্নরুরসিরা?”

“হূদুদি কদাইদৈ লৌদুইবা, মদু লৈনবা শেলবু কদাইনো?”

“অশ! ঐ হিংনীংদ্রেদা তৌরিসে” ফুক হৌগৎলগা শাউরংননা চৎখি। তোমচৌ চৎখিবদু লৈখৎলক্লগা য়েংহৌই।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।